# নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শেমগৎ শাগৎপদা থিন্থহল্লিবসি কনাগী থৌইনশিন্দগীনো?

কৌক্রুক্তা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী কন্সত্রক্সনগী মতাংদা অসুক য়াম্না খোঙজেল তপ্লিবসি করিগীনো হায়বা ৱাহং ময়াম অমা ঙসিদি লাক্লে। মরুওইনা, কৌক্রুক, সেঞ্জম খুনৌ অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংনা, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মরুওইবা মফমশিং শেমগৎ-শাগৎপদা মতম য়াম্না চঙলিবসি করিদা শোইরবগে হায়না কন্না হংনরক্লি। মীওই কাঙলুপ কয়াদগী য়াম্না তোয়না হংনরক্লিবা ৱাফমদি, হৌজিক ফাওবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী ৱাফমসি মনুংদা য়েৎনবা লোইশিনদ্রিব্রা হায়বসিনি।

নীংশিংবা য়াবদি, মণিপুরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী ৱাফম লাকপদা লমগী মতাংদা চাউনা য়েৎনবা কয়াসু লৈখি। মমাঙগী গভর্ণমেন্টকী মতমদা য়াইথিবী লৌকোন্দা শাগনি হায়দুনা থৌরাং তৌরম্বসু য়াওখি। অদুবু কৌক্রুক অমদি সেঞ্জম খুনৌগী মীয়াম্না য়ুনিভর্সিটি অসি শানবগীদমক লম একর ১৩৯.১৯ পীজগে মখোয়রোমদা শাবীয়ু হায়দুনা কন্না তক্লরকপদগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী মতাংসি মমৈদা কৌক্রুক অমদি সেঞ্জম খুনৌরোমদা অয়াবা পীরকখি।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা মীৎয়েং অমা

কুমজা ২০১৪দগী য়েৎনবা, মুক্লবা কয়া থোকখ্রবসু পূম্নমক্তু লোইশিল্লগা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ২৯দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন টকা (মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়রসকী খুথাংদা) মণিপুর গভর্ণমেন্ট (য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট) কা খুৎয়েক পীনদুনা লম একর ১৩৭ অসি য়াম্না ময়েক শেংনা খুৎশিন্নখি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি মতম চানা শানবা অমদি লোইশিনবা ঙম্নবা লমগী চয়েৎনবা অমত্তা লৈহন্দনা শিন্নখি। অদুবু, লম খুৎশিন্নখিবা চহী অহুম ফারক্কদৌরবা মতমসিফাওবদা য়ুনিভর্সিটি অসি শাবগী থবক্তি হৌজিকসু ইহো হোবগুম তৌরি। কদাইদা করি লৈবদগী অসিগুম্বা অশোয়বা অসি লাকখিবনো হায়বদু মীয়াম্না থোইদোক্লা খঙবসু পাল্লি।

হীরমসিগী মতাংদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি কন্সত্রক্সন দিমান্দ কম্মিটিগী মায়কৈদগী তাকপীরকখিবা ৱাফমদি, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা অশোয়বা খরসু ফংলে। মসিদি তশেংনা নুংঙাইতে। মখা তানা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি কন্সত্রক্সন দিমান্দ কম্মিটিগী সেক্রেটরি মাইবম সুনিল কুমারনা মখা তানা হায়বীরকখিবশিং, মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবদা তপথহল্লিবা অসিমক্তি মীওই খরনা মরক্তা শান্নরম্বদগীনি। তপথহনফম থোক্তবা থবক অমদা অসুক য়াম্না মতম চঙহনবা হায়বসি কনানসু পেন্নীংঙাই ওইরোই।



কৌক্রুক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম



কৌক্রুক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম

হৌজিক মীয়াম্না লম ফ্রীদা পীদুনা অথুবা মতমদা শাবা লোইশিনবীরো হায়দুনা কন্না লাউরিবা অসিদা মরক্তা অরানবা তৌরম্বসি ঐখোয়গীসু লাইবক থীবনি। অদুমকপু হৌজিক্তি কন্সত্রক্সনগী মতাংসিদসু চেঞ্জ তৌগদৌরে। হান্না পায়রম্বা কাঙবুনদি ফেন্সিং ফাওবা চপ চানা তৌবীরমদ্রে। কাঙলোন চুম্না থবক তৌবীবগী মহুত্তা মরম চাদবা কমপ্লেন কয়া তৌদুনা থবক নাথৈদুনা লৈরম্বসু থেংনরে। অদুমকপু, হৌখিবা হাপ্তা অসিগী মনুংদা অচুম্বা শক্তম অমা লাকপা ঙম্নবগীদমক, মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি এক্সপার্ট টিম্না গ্লোবেল পোর্টিং সিষ্টেম মেছিন শীজিন্নদুনা ওনবদগী অচুম্বা অদু হৌজিক্তি চপ চানা লেপ্লসু ঙম্লে। কৌক্রুক্কী পীরিবা লম একর ১৩৭ অসিগী মনুংদা একর ৭০ হেন্না ৱাৎনা হান্না থবক শূরম্বা কাঙবুনা খাদুনা লৈরম্লে।

হান্না পায়রম্বশিং হৌজিক্তি মখা তানা শূহনবগী ৱাফমসু লৈত্রে। নেসনল বিল্ডিং কন্সত্রক্সন কো-ওপরেশন্দা শিন্নখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট লফ ইন্দিয়ানা দিপার্টমেন্টেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি পি আর) দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা হেক পীবগা জন্যুৱারী থাদগীদি এন বি সী সীনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক শোয়দনা পায়রগনি হায়বগী ৱাফম লৈরে।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৭

১) হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা জিয়ুশিংবু ওৎ নৈখিবদা নত্তনা মখোয় কয়ামুকসু হাৎখি। মরম অদুনা জিয়ু শান্নরোয় অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখি। কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা জর্মনিনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা জিয়ু শান্নরোয় অদু অমুক হন্না কৌদুনা (মহাক হল্লক্তুনা) ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং করিনো?

২) ওলিম্পিক গেমসকী টিমগী থৌরম অমদা লৈবাক অমনা কুমজা ১৯২০দগী কুমজা ১৯৫২ ফাওবগী মনুংদা মেচ ৩৭ লক মায় পাকখি, ৩ লক পোখি। লৈবাক অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) অহানবা পান অমেরিকান (Pan American) গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৩৮৮গী মমাংদা ওলিম্পিয়া (OLYMPIA)দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদা তিল্লিবা গ্রিস মীয়াম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা তাহনখিবা গ্রিসকী ৱাঙাংলোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপতা রাইফল থ্রী পোজিসন্দা ইন্দিয়াগী শুটরশিং ফাইনেল য়ৌখিদ্রে

পুটিয়ান, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): চাইনাগী সিটি পুটিয়ান্দা পাঙথোকপা শুটিং ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলসকী নুপাগী রাইফল থ্রী পোজিসন্দা ইন্দিয়াগী শুটর অমত্তা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।



ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারুবা ইন্দিয়াগী শুটর সঞ্জিব রাজপুট শুপ্নগী পোইন্ট অমখক হন্থরগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে। সঞ্জিব রাজপুটনা নিলিং পোজিসন্দা পোইন্ট ৩৮৪ কাপখি। প্রোন পোজিসন্দনা ৩৮৮ অদুগা ষ্টেন্দিং পোজিসন্দনা পোইন্ট ৩৮১ কাপ্পুনা পূন্না ক্বালিফায়িং রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী অনৌবা নেসনল রেকোর্দ ওইনা পোইন্ট ১১৮১ ফংখি। অদুবু ফাইনেল রাউন্দগীদমক্তা মহাক পোইন্ট অমা হন্থরগা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদু জেক রিপব্লিক্কী ফিলিপ নেপেচলনা পোইন্ট ৪৬২.৯ কাপ্লগা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌখি। সিলভরনা সর্বিয়াগী মিলনকোনা লৌরগা ব্রোঞ্জ অদুনা রসিয়াগী কামেন্সিকিনা ফংখি।

ইভেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী শুটর অঞ্জুম মোদগিল ক্বালিফায়িংদা পোইন্ট ১১৪৭ কাপ্লগা ১৩শুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, মোদগিলনা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা পোইন্ট ১১৮০ কাপ্পুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবনি।

## ইন্দিয়ানা ওমান থোইবা ঙমখিদ্রে, ০-১দা মায়থীদুনা গ্রুপকী মরিশুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে

মসকেট, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা কটারনা য়ূম্লু ওইদুনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ক্বালিফাই ওইবা টিম খন্ননবা এসিয়াগী ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী ঙসি পাঙথোকপা গ্রুপ ঈগী মেচ অমদা ইন্দিয়ানা ওমানগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রে, পাঞ্জল ০-১দা মায়থীহৌরে।



ওমাননা য়ূম্লু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি মসকেটদা ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ ঈগী মঙাশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়া অমসুং ওমানগা লম্বা তৌনখিবনি।

পনবা য়াবদি, টিম অনী চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা য়ূম্লু ওইদুনা গুৱাহাটিদা অহানবা লেগ শান্নবদা অহৌবা হাফতা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারম্লবা মতুং ওমাননা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অনী চনশিল্লগা মায়থীবা পীরমখিবনি।

গ্রুপ অসিদা পূন্না টিম ৫ শরুক য়ারি। য়ূম্লু কটার, আফগানিষ্টান অমদি বাংলাদেশনা অতোপ্পা টিম অহুমনি। ইন্দিয়া ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা মেচ মরি শান্নখিবদা অমা মায়থীরগা, অহুম দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদু করিগুম্বা থোইবা ঙল্লবদি ইন্দিয়া পোইন্ট ৩ ফংলগা অপূনবা পোইন্ট ৬তা অহুমশুবা পোজিসন্দা হাইগৎলমগদবনি।

য়ূম্লু ওইখিবা ওমাননা মেচ অদু হৌরকপদগী এটেক চথবা ঙমখি। তরুকশুবা মিনটতা টিম অদুনা পেনালটি অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদবনি।

হাফ অদুগী ৩৩শুবা মিনটতা ওমানগী মায়কৈদগী অল খলদিনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমা মুসেন ঘসানিনা কলেক্ট তৌরগা ইন্দিয়াগী গোলকিপর গুরপ্রিট মায়থীবা পীদুনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা ০-১দা মায়থীহৌখি। ইন্দিয়ানা ক্বালিফায়িং অসিগী লেমহৌবা মেচ অহুম অদু মার্চ ২৬তা ওমানগা, জুন ৪দা বাংলাদেশকা অদুগা জুন ৯দা আফঘানিষ্টানগা শান্নগনি।

## ইটালিনা আর্মিনিয়াবু য়াম্না চাউনা পাঞ্জল ৯-১দা থোইদুনা য়ুরো ২০২০গীদমক মেচ অমত্তা মায়থীদনা ক্বালিফাই ওইখ্রে

পালর্মো, নবেম্বর ১৯(এজেন্সী): য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ক্বালিফাই ওইবা টিম খন্দোক্লবা চথরিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংগী ক্বালিফায়িং মেচশিংগী মনুং চন্না ইটালিনা গ্রুপ জেদা আর্মিনিয়াবু য়াম্না চাউনা পাঞ্জল ৯-১দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী রাউন্দ ১০ লোইশিল্লকপদা মেচ ১০মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৩০ ফংদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।



নীংশিংবা য়াবদি, ইটালিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা আর্মিনিয়াগী মেচ অদুদা পাঞ্জল ৯-১দা মায় পাকখিবা অদু কুমজা ১৯৪৮দা মখোয়না য়ু এস এবু পাঞ্জল ৯-০দা থোইখিবা অদুগী মতুং হন্দক্কী অসিনা মায়োক্লবা টিমবু খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপা মেচ অদু ওইখি।

মেচ অদুগী ১০শুবা মিনট ফাওবগী মনুংদা ইটালিনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। নিপানশুবা মিনটতা ইমোবিলিনা অহানবা অদুগা অনীশুবা অদুনা জানিওলোনা ৯শুবা মিনটতা চনখি।

শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা ইটালিগী বারেলানা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লবা মতুং ইমোবিলিনা অমুক্কা হন্না ৩৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা অর্মিনিয়াবু ৪-০দা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মতুং মিনট ১৯ চংশিল্লকপদা জানিওলোনা ইটালিগী মঙাশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মখা তারকপদা টিমমেট রোমানোলিনা ৭২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবদা ঙাইরিঙৈ ৭৫শুবা মিনটতা টিম অদুনা ফংখিবা পেনালটি অমা জোর্গিনোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৭-০দা মাঙজিল থাখি। মিনট ৩ লৈরগা ওর্সোলিনিনা ৮শুবা পাঞ্জল অদু ৭৮শুবা মিনটতা চনখি।

আর্মিনিয়াগী মায়কৈদগী ববায়ননা ৭৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমখক চনবা ঙমখি। লোয়ননা ৮১শুবা মিনটতা ইটালিগী ৯শুবা পাঞ্জল অদু চৈসানা চনবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী বিজেন্দর সিংহনা ঘানাগী চার্লস অদামুগা থিন্নরগনি

দুবাই, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সিংদা চাউনা মায় পাক্তুনা লৈরিবা বিজেন্দর সিংহনা থা অসিগী ২২দা মমাঙদা কম্মনৱেলথ চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙল্লবা ঘানাগী বোক্সর চার্লস অদামুগা সুপর মিদল ৱেথকী প্রোফেসনেল বাউট অমা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা থিন্নরগনি।



ইন্দিয়াগী বিজেন্দর সিংহ মমিং লৈরবা বোক্সিং প্রমোটর বোব অরুনগী টোপ রেঙ্ক প্রমোসন এন্দ আই ও এস বোক্সিংনা মহাক্কী করিয়র অসি কূম্না য়েংশিল্লি। মহাক্না চহী অসিগী জুলাই থাদা য়ু এস এদা পাঙথোকপা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা প্রোফেসনেল বাউট অমদা মাইক স্নাইদরবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী প্রোফেসনল বোক্সিংগী লম্বেলদা ১১রকশুবা মায় পাকপা ওইখি।

মশাগী চহী ৩৪তা ঙাইরিবা দব্লিয়ু বি ও এসিয়া পেসিফিক এন্দ ওরিয়েন্টেলগী সুপর মিদল ৱেথ চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়াগী বিজেন্দর সিংহনা ঘানাগী চহী ৪২শুরবা অদামুগা রাউন্দ ১০গী প্রোফেসনেল বাউট অমা থিন্নগদৌরিবনি।

অদামুগী করিয়রদা বাউট ৪৭ থিন্নখিবা মনুংদা ৩৩ মায় পাক্লি। মদুগী মনুংদা বাউট ১৪দি মহাক্না মহাক্কী ওপোনেন্ট অদুবু নোকআউট তৌবা ঙমখি। অদামুনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা থিন্নখিবা বাউট অমা মায় পাক্তুনা মমাঙগী বাউট মরি থংনা থংননা মায়থীবা নংখিবা অদু লান্থোকপা ঙমখি।

মরকসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর বিজেন্দর সিংহনা থা অনী হেন্না অকনবা ত্রেনিং চথদুনা লৈরবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী সিজন লোইশিল্লকপদা অদামুবু মায়থীবা পীদুনা ফজবা রেকোর্দ অমা থম্বা পাম্মী হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অদামু য়াম্না এক্সপরিএন্স লৈরবা বোক্সরনি। অদুবু মহাক্কী সোটশিং অদুনা পানবা হৌরক্লবদি অদামু পাম্বৈল লৈরোই হায়খি।

## ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী দেভিস কপকী টাই অদু কাজখষ্টান্দা শান্নরগনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন্না ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান লৈবাক অনীগী দেভিস কপ টাই অদু কাজখষ্টানগী কোনুং নুর সুলটান্দা ন্যুত্রেল ভেন্যু ওইনা শান্নরগনি হায়রি।



নীংশিংবা য়াবদি, টাই অসি ইন্দিয়ানা পাকিস্থানগী সিটি ইস্লামাবাদতা শান্নফম থোকপনি। অদুবু লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবগী মরমনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদু পাকিস্থানদা সেক্যুরিটিগী য়েংলগা চৎহনবা পামখিদবদগী ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন্দা ন্যুত্রেল ওইবা মফম অমদা শান্নবা য়াহন্নবা হায়খিবনি।

মরক অসিদা পাকিস্থান টেনিস ফেদরেসন্না আই টি এফকী দেভিস কপ কম্মিটিগী ৱারেপ অদুদা আপিল তৌরদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা পাকিস্থান্দা লাকপা মতমদা সেক্যুরিটিগী চিংনবা লৈতে, শান্নহনবীয়ু হায়খিবা অদু আই টি এফনা য়ারকখিদবনি।

আপিল অদু ঙরাং ফেদরেসন অসিগী ইন্দিপেন্দেন্ট ত্রিবুনেল অমনা ককখিবদগী কাজখষ্টানগী কোনুং নুর সুলটান্দা লৈবা নেসনল টেনিস সেন্টরদা থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০দা লৈবাক অনীগী দেভিস কপ টাই অদু শান্ননবা ৱারেপ লৌখি।

মফম অদুগী টেনিস সেন্টর অদু ইন্দোরদা শান্নগদবনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুদা হেন্না চুশিন্নবা ঙল্লগনি হায়না ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা জিসাদ আলিনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী দেভিস কপ টাই অদু চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা ইস্লামাবাদতা শান্নবগী কেলেন্দর লৈরম্বনি। অদুবু জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা আর্টিকল ৩৭০ রিভোক তৌখিবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা খরা লৈরকপা অদু য়েংলগা ন্যুত্রেল ওইবা মফমদা শান্ননবা ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখিবনি।

মরক অসিদা পাকিস্থানগী মমিং লৈরবা দবলসকী টেনিস শান্নরোয় ঐসাম উল হকনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা মহাক ৱিথদ্রো তৌখি।